**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28-04-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা নুংশিৎ অমদি অখাক অরাও য়াওনা নোং চুখ্রে।

২) নুমিৎ হুমি চথুগদবা এনুয়্এল এক্সন প্লান ৱার্কসোপ ওন কে.ভি.কে ঙসিদগী ইরোইশেম্বদা লৈবা কলেজ ওফ এগ্রিকলচরদা হৌখ্রে।

৩) নুপীশিংবু ৱারেপ লৌবা ঙম্বগী থাক্তা লুচিংবী অমা ওইনবগী মতিক ময়াই চেলহন্নবা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না হায়রি।

৪) ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহগা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা মিনিত ৪০ রোম উন্নদুনা পহলগাম টেরর এটেক্কী মখা তাবা থবক পায়খৎনবা খন্নখ্রে।

অমসুং

৫) ভারতনা ফ্রান্সতগী রাফেল মেরিন ফাইটর এয়ারক্রাফট ২৬ লৈননবা য়ান্ন-চেরোল অমা সহি তৌনখ্রে।

------

নোং (এল)ঃ মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা পাক শন্না অখাক অরাও অমদি নুংশিৎ য়াওনা নোং চুখ্রে। ইম্ফাল ইষ্টকী কৈবী ময়াই লৈকাইদা বজ্র তাবদগী উ অমা অমাং অতা থোকখ্রে। ইশিখাদা নুংশিৎ কন্না

শিৎপদগী য়ুম মরিরোমগী য়ুমথক হুমদোক্তুনা অমাং অতা থোকখ্রে। উয়ুমপোক মমাং লৈকাইদসু য়ুম কৈ খরা অমাং অতা থোকখি হায়রি। অদুমওইনমক অখাক অরাউ অমদি নুংশিৎ শিৎপগী থৌদোকশিংদা অশোক অপন থোকখিবগী পাউদি লৈতে।

মরক অসিদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর ইম্ফালগী পাউনা হায়- রাজ্য অসিগী অয়াম্বা মফমশিংদা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ নিনি অসিদা মখা তানা নোং চুরবা য়াই। অখাক অরাউ য়াওনা পুংদা কিলোমিতর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াংবা নুংশিৎসু শিৎলবা য়াই হায়রি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃআই.সি.এ.আর এগ্রিকলচরেল টেকোলোজি এপ্লিকেসন রিছার্স ইন্সটিট্যুট জোন-সভেন মেঘালয় অমসুং সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি ইম্ফাল অনিনা খুৎশমদুনা শিনবা এন্যুএল এক্সন প্লান ৱার্কসোপ ওন কে.ভি.কে ঙসি ইরোইশেম্বদা লৈবা কলেজ ওফ এগ্রিকলচরদা হৌদোকখ্রে। ৱার্কসোপ অসি নুমিৎ হুমি চত্থগনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা আই.সি.এ.আর মেঘালয়গী দাইরেক্তর ডাঃ এ.কে. মোহন্তিনা হায়- ভারতকী লৌউ শিংউ চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা কৃশি বিগ্যান কেন্দ্রশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। ভারত্তা ইং ১৯৫০-৫১ অদুৱাইদা পুথোক্লম্বা লৌউ শিংউগী পোত্থোক্কী চাং অসি টন মিল্লিয়ন ৫০ রোম ওইরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি লৈবাক অসিদা লৌমীশিংনা লোউ শিংউগী পোত্থোক অসি টন মিল্লিয়ন ৩৩২ গী চাংদা পুথোকপা ঙমলে। মসি কে.ভি.কেশিংগী খুত্থাংদা লৌমীশিংনা বিগ্যানিক ওইবা মওংদা লৌউ শিংউগী থবক পায়খৎলকপদগীনি। কে.ভি.কেশিংনা লৌমীশিংগা খুৎশমদুনা লৈবাক অসিগী লৌউ শিংউগী পোত্থোক হেন্না পুথোকবা হোৎনবদা অচৌবা দাইত্বা লৌবা তঙাইফদে।

থৌরম অদুদা হান্নগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি পদ্মাশ্রী থৌনাউজম চাউবা য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

এৱারনেস (এল) ঃ   সেক্সুয়েল হরাসমেন্ট ওফ ৱিমেন এট ৱার্ক প্লেস (প্রিভেন্স, প্রোহিবিসন এন্দ রিদ্রেসেল) এক্ট ২০১৩ গী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি থৌবালগী দি.সি কমপ্লেক্সতা লৈবা কাউন্সিং হোলদা পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী নুপী কর্ম্মচারিশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা থৌবালগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা হায়-  নুপী কর্ম্মচারিশিংনা আইন অসিগী মরমদা নিংথিনা খঙবা ৱাৎপদগী ওফিসশিংদা নুপীশিংদা চত্থবা পামদবা থবক থৌওংশিংগী ৱাকৎ লাকপা অদুমক থেংনরি। মরম অদুনা নুপী কর্ম্মচারিশিংনা আইন অসিগী মরমদা নিংথিনা খঙনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

অমরোমদা, থৌবাল ওক্রমদা লৈবা ৱাইখোম মনি গার্লস কলেজদা ঙসি সাইবর সেক্যুরিতি, আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স অমসুং বিগ দাটা হায়বা হিরমদা চয়োল অমা চুপা চত্থগদবা ৱার্কসোপ হৌখ্রে। থৌরম অদুদা নৈলিট ইম্ফাল অমসুং কলেজ অসিগী মশক নাইবা ওজা কয়া শরুক য়াখি।

ৱিমেন (এল) ঃ   নুপীশিংবু ৱারেপ লৌবা ঙম্বগী থাক্তা লুচিংবী অমা ওইনবগী মতিক ময়াই চেলহন্নবা পান্দমদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙসি লোংঙা কোইরেং খুলগী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না কোইরেং যুথ ওর্গনাইজেসন মণিপুরগা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা কম্মিসন অসিগী চেয়ারপার্সন থুমলিপ তিনিংফম মোনসাংনা হায়- খুনাইগী থবক থৌরমশিংদা নুপীশিংনা চাদা ৫০ গী চাংদা থৌদাং লৌরি। অদুমওইনমক, ৱারেপ লৌবা ঙম্বগী থাক্তা নুপীশিংনা শরুক য়াবগী চাংদি শিংথানিঙাই ওইনা হন্থরি। মরম অদুনা নুপীশিংবু ৱারেপ লৌবা ঙম্বগী থক্তা লুচিংবী অমমম ওইননবা শেমগৎপা ঙল্লবদি খুনাইগী চাওখৎ খোঙথাংশিং মাংজিল থানা চৎকনি।

থৌরম অদুদা কম্মিসনগী অতৈ মেম্বরশিং টি. চোংসিন কোইরেং, এস.কে. সোফিয়া মোয়োন য়াওনা শকাইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। মফম অদুগী নুপী ১০০ রোমনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। থৌরমগী মনুং চন্না কম্মিসনগী মীহুৎশিংগা ৱারী ৱাতাই শান্নবগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

কোকোমি (এল)ঃ কোকোমিনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্তুনা মীয়ামগা পুন্না খন্ন-নৈনবগী পরিং নাইনা চখরক্লিবা তৌরম ঙসিসু মফম কয়াদা পাঙথোকখি। বিষ্ণুপুর থিয়াম লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা বিষ্ণুপুর অকোইবা অপুনবা লুপকা কোকোমিগা খুৎশমদুনা মীয়ামগী ওহবা মীফম পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কোকোমিগী কনভিনর খুরাইজম অথৌবনা হায়- ইরমদম অসি কন্নবগীদমক ঐখোয় পুমমকা অমত্তা ওইবগী লীচিংদা থৌদাং য়ামিন্নবা তঙাইফদে। মসিদা মীয়ামা মতেং পাংবীনবা শ্রী অথৌবনা আপীল তৌখি। লাক্লিবা মে ৩ দা পাঙথোক্কদবা মীয়ামগী অচৌবা মীফমদসু লমদম অদোমগী মীয়ামা শরুক য়াবীনবা মহাকা ফোংদোকখি।

কবো-ৱাকচিং, বিষ্ণুপুর বজার, ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবী, শিংজমৈ চিরোম লৈকাই, হাওবম-মরক ইরোম লৈকাই অমসুং তেরা লুক্রাম লৈরক্তসু ঙসি কোকোমি অমসুং মফমশিং অদুগী তোঙান তোঙানবা লুপশিংগা খুৎশমদুনা মীয়ামগী খন্ন-নৈনবা মীফম পাঙথোকখি।

অমুকো (এল)ঃ অমুকো অমসুং মসিগা চৎমিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা লৈঙাক্কী লৌউ শিংউ বিভাগকা পুন্না খুৎশমদুনা নেসনেল মিসন ওন নেচরেল ফার্মিংগী মতাংদা লৌমীশিংদা নিংথিনা খঙহনবগী থৌরমশিং লেপ্তুনা পাঙথোক্লি। ঙসিসু অসিগুম্বা থৌরমশিং নিংথৌখোং, উপোকপী অমসুং তৌপোকপীদা পাঙথোকখি। থৌরমশিং অদুদা অমুকোগী মশক নাইবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

দ্রাইভ(এল)ঃ নোংম পানবগা মরি লৈননা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোইবদা লমতু শেংদোকপগী দ্রাইভ অমা ঙসি চথখ্রে। দ্রাইভ অদু ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসন, মৈরা পাইবী অমসুং লোকেল ক্লবশিংগা খুৎশমদুনা চথখিবনি। ফ্লাই ওভর ব্রিদজ মখোংদগী খুয়াথোং ফাওবগী লম্বী পরিংদা লৈরিবা অমোৎ অকাইশিং শেংদোকপগী থবক চথখি।

পনবা য়াবদি, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলবু লু নান্না থমবা পান্দমদা মহুদ বিভাগকী মখাদা কৈথেল অসিগী করম করম্বা মফমদা অমোৎ অকাইশিং লৈরিবগে হায়বদু খঙদোকবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা দ্রোন কেমেরা শিজিন্নদুনা সর্ভে চথখিবনি। সর্ভে অর্দু স্মার্ট সিতি ক্লিনলিনেস প্রোগ্রামগী মখাদা চথখিবনি।

সেনাপতি (এল) ঃ সেনাপতি তুরেলবু লন-নান্না থমবগী চংশিল্লিবা খোঙজংগী মখা তাবা থবকশিং পায়খৎনবগীদমক জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার মামোনি দোলেনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি হন্না য়েংশিনবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুনা অমোৎ অকায়শিং খোমজিনদুনা থমনবা মফম অমা শেমগৎনবা, অমোৎ অকায়শিং খোমগৎনবা থৌশিল থৌরাংশিং য়াৎথোকপা, সেনাপতি তুরেলদা অমোৎ অকায়শিং থাদবা থিংনবা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা, অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক থিংবগী খোঙজং হেন্না কনশিনহন্নবা অমসুং কেম্পেন অসিগীদমক টাস্ক ফোর্স অমা শেমনবা য়ান্নখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা খুলগী লুচিংবশিংদা তুরেল অসিগী খোংনুংদা লম খোপচিনবগী থৌওং লেপহন্নবা থবক পায়খৎনবা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা পাউতাক পীখি। মীফম অদুদা জিলা অসিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

দরখাষ্ট (এল) ঃ মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা ইং ২০২৩ গী ওইনা কালেনগী মহৈ মরোংশিং নিংথিনা থাবা ঙমখিদ্রবা ইম্ফাল ইষ্ট

জিলাগী মনুংদা লৈবা লৌমী ৪২১ না ক্ষেতিপুরনগীদমক মখোয়গী দরখাষ্টশিং ওনলাইনদা থাজিল্লকপা য়াগনি হায়রি। ইম্ফাল ইষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- মরী লৈনবা লৌমীশিংনা মথং থাগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা মখোয়গী দরখাষ্টশিং থাজিল্লক্কদবনি।

লৌমী (এল) ঃ মথংগী লৌ পানবা মতম য়ৌরক্ত্রিঙৈদা রাজ্য অসিগী লৌমীশিংনা ইশা ইশাগী লৌফমশিং লৈবাক লৈহাও চায়েং তোবীনবা ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরনা আপীল তৌরি। লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌদনা রাসায়নগী হার কা হেন্না শিজিন্নবনা লৈবাক লৈহাও হেন্না মাংঙনবতা নত্তনা অকোইবগী ঈশিং নুংশিৎতসু চাউনা চৈথেং পীরি। ফাউন্দেসন অসিনা মরী লৈনবা বিভাগশিংগা খুৎশমদুনা অথুবা মতমদা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌবগী থবক হৌরগনি। মসিদা লৌমী মীয়ামা শরুক য়াবীনবা চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোক্লি ।

রচনা (এল) ঃ নেসনেল ইজ্‌কেসন পোলিসি (এন.ই.পি) ২০২০ গী মতাংদা রচনা ইবা চাংদমবা অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা পাঙথোকখ্রে। চাংদমবা অদুদা য়ুনিভর্সিতি, কলেজ অমদি অতৈ মহৈ লোইশঙশিংদগী লাকপা মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

নোনে (এল) ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা সেক্যুরিতিগী মীফম অমা ঙসি নোনে জিলাগী তুপুলদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা মফম অদুগী লনাই লুপশিং অমদি খুলগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা ঙসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা নিউ দিল্লিদা উন্নখ্রে। মিনিত ৪০ উন্নখিবা অদুদা পহলগাম টেরর এটেক্কী মতাংদা কুপা ৱারী শান্নখি হায়রি। উন্নবা অদুদা পহলগাম টেরর এটেক্কী মতাংদা মখাদা

পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিংগী মরমদা কুপা খন্নখি। অদুমওইনমক, লুচিংবা অনিনা করি করি খন্নখিবগে হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। ঙরাংসু চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ জেনেরেল অনিল চৌহানগা শ্রী সিংহগা উন্নখিবনি।

রাফেল ঃ  ভারতনা ফ্রান্সতগী রাফেল মেরিন ফাইটর এয়ারক্রাফট ২৬ লৈননবা লৈবাক অনিনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম ঙাকশেলগী য়ান্ন-চেরোল অমা সহি তৌনখ্রে।

য়ান্ন-চেরোল অদু ভারতকী ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী ওফিসিয়েল অমদি ফ্রান্সকী এম্বেসেদর অনিগী মরক্তা তৌনখিবনি। অনৌবা রাফেল মেরিন এয়ারক্রাফট ২৬ অসি হাপচিল্লক্লগদি ভারত নেভিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহল্লগনি। হায়রিবা এয়ারক্রাফটশিং অসি ভারত নেভিগী আই.এন.এস বিক্রমাদিত্যা অমসুং আই.এন.এস বিক্রান্টনচিংবদা শিজিন্নগনি।

য়ু ট্যুব ঃ  পহলগাম টেরর এটেক মতুংদা ভারতনা পাকিস্তানগী য়ু ট্যুব চেন্নেল ১৬ থিংজিনখ্রে। থিংজিনখ্রবা য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংগী মনুংদা দাউন নিউজ, সমা টি.ভি, জিও নিউজ, এরি নিউজনচিংবা য়াওরি। হায়রিবা চেন্নেলশিং অসিনা ভারতকী মায়োক্তা লান্না পাউ শন্দোকই হায়না মরাল শিরি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

কাং (এল)ঃ  লাইনিংথৌ সনামহি কাং এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চখরিবা অহানবা লাইনিংথৌ সনামহি প্লেয়রস মেমোরিয়েল কেন্দ্র ৱাইস লিগ কম নোক আউট ওপন কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ওইনাম কেন্দ্র এনা কৈশামথোং কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১৮-১০ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা অনিসুবা পেমিয়র লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ুনাইতেদ চান্দেল এফ.সিনা অনৌবা ইমাগী মঙালবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ ৩ শুবা মায়পাকপী মেমোরিয়েল ফুটবোল ত্রোফি ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাংজিং য়ুনাইতেদ জ্নিয়রনা কংলৈপাক পারিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচশিংদা সিতি ক্লব হৈরোক অমসুং জে.এফ.সি.সি হৈরোক পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখি। য়াইরিপোক এফ.সি অমসুং সনা এফ.সি থৌবালসু পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি।

ফুটবোল (এল)ঃ ১০ শুবা লেট টি.ঐচ. কুমার সিংহ মেমোরিয়েল ষ্টেট লেবেল লিগ কম নোক আউন ওপন তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা তাইদা এ তৌবুলনা কে.ৱাই.এফ.এ খোইজ্মানবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ অহানবা য়ুনাইতেদ সাউদর্ন এরিয়া ইন্তর ভিলেজ কপ চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ফুটবোল মেটচ অমদা য়ু.বি.এস.এ মন্তকনা জিওন্টলাংবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি।

যোগ (এল)ঃ ইন্তরনেসনেল ডে ওফ যোগ ২০২৫ গা মরী লৈননা থা অনিগী ওইবা রিগুলর যোগ ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট যোগসনা স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ককচিং ময়াই লৈকাইদা লৈবা মল্টিপরপজ হোলদা মথং থাগী ১ দগী হৌদুনা জ্ন ৩০ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ানিংবা মীওইশিংনা ককচিং চুমনাং লৈকাইদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগগী ওফিসতা পাউ ফাওরকপা য়াগনি।

------